## সেন্টিনেল কপ অমসুং ৭ শুবা জুনিয়র ষ্টেট ইক্বেষ্টরিয়ন চেম্পিয়নশিপ লোইশিনখ্রে

# চীংখৈহুনবনা সেনিয়রগী টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৫ ঃ
আসাম রাইফলসনা স্পোন্সর তৌরগা মণিপুর ইক্বেষ্টরিয়ন এসোসিএশন্না শিন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চথরকখিবা ১৩ শুবা সেন্টিনেল কপ অমসুং ৭ শুবা জুনিয়র ষ্টেট ইক্বেষ্টরিয়ন চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবনা সেনিয়রগী টিম চেম্পিয়ন অদুগা কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুলনা জুনিয়র গার্লসকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি লোইশিনবা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা সেনিয়র টেন পেগ্গিং সোর্দ ইন্দিভিজুয়েলদা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবকী টি ঐচ কাউনবনা অহানবা, মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকী এস অবুংচানা অনীশুবা পোজিশন, আর কে এস এস এসকী কে মালেমঙানবনা অহুমশুবা অদুগা কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুলগী ও সৈত্যজিৎনা মরিশুবা পোজিশন তাখ্রে।

সেনিয়র টেন পেগ্গিং লান্স ইন্দিভিজুয়েলদা আর কেএস এস এসকী এল ওলেন্দ্রোনা অহানবা, মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকী এস বিমোলনা অনীশুবা, চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবকী এল ধনেশ্বরনা অহুমশুবা অদুগা কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুলগী এস গিরিমোহোন্না মরিশুবা পোজিশন তাখি।

সেনিয়র শো জম্পিংদা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবকী ৱাই সুরজনা অহানবা, কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুলগী এস জেমসন্না অনীশুবা, আর কে এস এস এসকী এল প্রেমকুমারনা অহুমশুবা পেজিশন তাখ্রে।

সেনিয়র টেন পেগ্গিং লান্স টিম ইভেন্টতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম এ (এস বিমোল, ঐচ অবুং খুমন, এম বেবেকানন্দ, এম সুরজিৎ) না পোইন্ট ১১২.৫ ফংদুনা অহানবা, রুপকুমার পোলো ক্লবনা পোইন্ট ১১১ ফংদুনা অনীশুবা অদুগা কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুলনা পোইন্ট ১০০ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিশন তাখ্রে।

## পৱর লিফটিংগী ট্রাইএল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৫ ঃ
আসামগী করিমগঞ্জদা মার্চ ৯ দগী ১২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা নোর্থ ইষ্ট পৱর লিফটিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ অমদি মার্চ ২৭ তগী ২৯ ফাওবা হিমাচল প্রদেশকী কংগ্রাদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল বেঞ্চ প্রেস চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুনবা লিফ্টরশিং খন্নবগী ট্রাইএল সেলেক্সন অমা ওল মণিপুর পৱর লিফটিং এসোসিএশন্না শিন্দুনা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

থা অসিগী ১৮ দা এলাংবম লৈকায়দা লৈবা ঈ এল বি বি টি সিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ট্রাইএল অসিদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোয়শিংনা নুমিৎ অসিগী অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা শান্নরোয়শিংগী অরূপ্পা ওন্দুনা ট্রাইএল পাঙথোক্কনি।

মরম অদুনা ট্রাইএল নুমিৎ অসিদা ওল মণিপুর পৱর লিফটিং এসোসিএশনগী লিফটরশিং অমদি ওফিসিএলশিংনা মতম চানা লাক্কদবনি হায়না এসোসিএশন অসিগী সেক্রেটরি এন জি থোইবনা খঙহল্লক্লি।

# ক্লব নিপালদা এম এল এ নন্দকুমারনা টেবল টেনিস বোর্দ খূৎশিন্নখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৫ ঃ
উরিপোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা তোঙান তোঙানবা ক্লব নিপালদা এম এল এ এল নন্দকুমারনা টেবল টেনিস বোর্দ, বেট অমদি বোলশিং খূৎশিন্নখ্রে।

ঙসি অয়ূক লম্ফেলদা লৈবা এম এল এ এল নন্দকুমারগী ক্বার্টরদা পাঙথোকখিবা শান্নবগী পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা ক্লবশিংগী নহা কয়ানা শরুক য়াখি। ঙসি টেবল টেনিস বোর্দ য়েন্থোকখ্রবা ক্লবশিং অদুদি ইম্ফাল স্পোর্টিং ক্লব খ্বাই ব্রহ্মপুর, ইম্ফাল ৱেষ্টর্ন ক্লব উরিপোক খুমন্থেম লৈকায়, য়ুনাইটেদ ফ্রেন্স লাইব্রেরি এন্দ ক্লব লম্বোইখোংনাংখোং, য়ঙ পাইটে এসোসিএশন উরিপোক পোলেম লৈকায় ক্লব, নাগামপাল য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেশন, উরিপোক খোইস্নাম লৈকায় ক্লব অমসুং এন জি কোলেজ লৈরক কম্ম্যুনিতি হোলনি।

টেবল টেনিস বোর্দ খূৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াবা লাকখিবা ক্লবশিংগী থৌপুবশিং অমদি নহাশিংনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি উরিপোক কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ এল নন্দকুমারনা শান্নবগী পোৎলমশিং পীবা অসিনা লৈকায় লৈকায়দা লৈরিবা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা শান্নবগী ঈহৌ অমা লাক্লগনি হায়খি।

# ইষ্টর্ন ইন্দিয়া বোদি বিল্ডিংদা শরুক য়াগদবা অম্বাগী বোদি বিল্ডর তরুক খনখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৫ ঃ সিক্কিমদা মার্চ ১১ দগী ১৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৫ শুবা ইষ্টর্ন ইন্দিয়া বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএশন (অম্বা) গী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা বোদি বিল্ডরশিং অমসুং ওফিসিএলশিং খনখ্রে।

ঙসি ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএশন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা অম্বাগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা ট্রাইএল সেলেক্সন অদুদা বোদি বিল্ডরশিংনা উৎখিবা পার্ফোমেন্সকী মতুং ইন্না খনখ্রবশিং অদুদি কেজি ৫৫ গী কাঙলুপ্তা সুপর জিম খুরাইদগী এম দি ৱাহিদুর রহমন, কেজি ৬০ গী কাঙলুপ্তা ৱাই বি বি জিম পিশুমথোংদগী হাওবিজম মিনকেতন, কেজি ৬৫ কী কাঙলুপ্তা ৱাই পি আই এস এম জিম উরিপোক্তগী খোইস্নাম দোরেন্দ্রো, কেজি ৭০ গী কাঙলুপ্তা ৱাই বি বি জিম পিশুমথোংদগী অমরজিৎ নিংথৌজম, কেজি ৭০ গী কাঙলুপ্তা ২২ এ আর জিমদগী কামৈ জেনপৌ অমদি কেজি ৬০ গী কাঙলুপ্তা সি এ য়ু জিম ইরোইশেম্বদগী এল কিরননি। মণিপুর বোদি বিল্ডিং টিম অসিগী মেনেজরনা ঈ ইনাও অদুগা টিম কোচনা ও প্রেমকুমারনি।

# ৱাই আই সি টিম বি, এন এফ সি মোইরাং লৈরক সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৫ ঃ
য়ুঠ ইন্টিগ্রেশন ক্লব (ৱাই আই সি) কৈশামথোং মনিং লোংজম লৈকায়না শিন্দুনা ৱাই আই সিগী গ্রাউন্দদা টিম ১২ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা চথরিবা অহানবা ৱাই আই সি অন্দর-২১ ফোর এ সাইদ মেন'স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা এন এফ সি মোইরাং লৈরক অমসুং ৱাই আই সি টিম বি কৈশামথোং মনিং লোংজম লৈকায় মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

টিম ১২ না গ্রুপ ৪ দা শরুক য়াদুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা এন এফ সি মোইরাং লৈরক্না খোরিফাবা নম্বোল গোল ৪-৩ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

মেচ অদুদা টিম অনীমক্না য়াম্না হৈশিংবা মান্নবা শান্নখিবনা নোর্মেল টাইমদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। তুংদা টাই ব্রেক্কী কিক্স ফ্রোম পেনালটি মার্কতা এন এফ সিগী বিশ্বামিত্রনা গোল অনী, বেনজোনসন অমসুং গ্রিসনা গোল অমমম চনখি। খোরিফাবগী গোল অহুম অদু টি ঐচ জোনসন, কুলরসন অমসুং রোমিওনা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ৱাই আই সি টিম বি কৈশামথোং মনিং লোংজম লৈকায়না হুদিক হৈঙাং ময়ায় লৈকায় গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

মায় পাক্লবা ৱাই আই সি টিম বিগী গোল অহুম অদু নিটেশ্বরনা গোল অমা অদুগা লোয়াঙম্বনা গোল অনী চনখি। হয়েং অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ঐচ এল সি হোদাম লৈরক অমসুং ও এফ সি ওক্রম লৈকায়গা শান্নগনি। মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা ক্লাসা এফ এ অমসুং য়ু ঈগা শান্নগনি।

# ময়াই লম্বী কোলেজনা নুপাগী, দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সনা নুপীগী টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৫ ঃ
প্রভাবতি কোলেজ ময়াং ইম্ফালনা য়ূম্বু ওইদুনা ঙসি রাজকুমার সনাহল সিংহ মেমোরিএল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ মেন'স এন্দ ৱিমেন'স থাঙ-তা টুর্নামেন্ট ২০১৫-১৬ পাঙথোকখ্রে।

লমদমসিগী কোলেজ ৯ অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী নুপী শান্নরোয় ৫ অমসুং নুপা শান্নরোয় ১৮ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ইন্টর কোলেজ থাঙ-তা টুর্নামেন্ট অদুদা ময়াই লম্বী কোলেজনা পোইন্ট ২৪ ফংদুনা নুপাগী টিম চেম্পিয়ন ওইখি। প্রভাবতি কোলেজনা পোইন্ট ২৩ ফংদুনা টিম রন্নর্স-অপ তাখি।

দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সনা পোইন্ট ২০ ফংদুনা নুপীগী টিম চেম্পিয়ন ওইখি। মোর্দন কোলেজনা পোইন্ট ৮ ফংদুনা টিম রন্নর্স-অপ তাখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অদুদা আর কে দিলিপ (রিটয়ার্দ ইঞ্জিনিয়র), প্রভাবতি কোলেজগী প্রিন্সিপাল টি ঐচ চাউবা, প্রভাবতি কোলেজগী গভর্নিং বোর্দগী চ্যেরপার্সন চিরোম ওংবী পীশকমচা, ভাইস চ্যেরমেন এল তোম্বা, সেক্রেটরি ঐচ ইবোবীনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রিসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অদুগী নুপীগী কেজি ৬০ গী কাঙলুপ্তা কে পি কোলেজগী টি ঐচ মোচানা গোল্ড, প্রভাবতি কোলেজগী ও রাজোনা শিলভর, বিরমঙ্গল কোলেজগী চীংলেননা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

কেজি ৬৬ কী কাঙলুপ্তা বিরমঙ্গল কোলেজগী ৱাই রাকেসনা গোল্ড, প্রভাবতি কোলেজগী সি ঐচ দেবরাজনা শিলভর, মণিপুর কোলেজগী এম চীংখৈঙানবনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। কেজি ৭৩ গী কাঙলুপ্তা প্রভাবতি কোলেজকী দল্লিয়ু সুরেসনা গোল্ড, মণিপুর কোলেজগী এন রামেসচন্দ্রনা শিলভর, ইম্ফাল কোলেজগী হেনরি ৱাংখেমনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। কেজি ৮১ গী কাঙলুপ্তা প্রভাবতি কোলেজগী টি ঐচ বোরিসনা গোল্ড, ময়াই লম্বী কোলেজগী এস সুরচন্দ্রনা শিলভর মেদল ফংখি।

নুপীগী কেজি ৪৮ কী কাঙলুপ্তা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী এ ভিক্তোরিয়ানা গোল্ড, মোর্দন কোলেজগী এ চীংখৈঙানবীনা শিলভর মেদল ফংখি। কেজি ৫৭ গী কাঙলুপ্তা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী এম সুসমিতানা গোল্ড মেদল ফংখি। কেজি ৬৩ গী কাঙলুপ্তা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী এস রেখানা গোল্ড মেদল ফংখি। কেজি ৭০ গী কাঙলুপ্তা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী কংলৈঙানবী অথোকপম্না গোল্ড মেদল ফংখি।

## বোবিনামগী ট্রাইএল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৫ ঃ থা অসিগী ২২ দগী ২৫ ফাওবা আসামগী গুৱাহাটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭ শুবা সব জুনিয়র, জুনিয়র অমসুং সেনিয়র নেসনেল বোবিনাম চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ দা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা বোবিনাম শান্নরোয়শিং খন্নবগী ট্রাইএল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ১৮ দা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি হায়না বোবিনাম এসোসিএশন ওফ মণিপুরনা খঙহল্লক্লি।





HL-B/2883/10,13,16,19,22,25,27,30Jan

ADMISSION IS GOING ON

SIMPS Institute of Management and Para - Medical Science,
College Campus : Pangei, Imphal, Manipur

COURSE OFFERED



Master in :- MSc. MLT, Radiology and Imaging Technology,
Bachelor in :- B.Sc MLT, Radiology and Imaging Technology,
AVAILABLE HOSTEL - BOYS AND GIRLS
PLS Contact - 98563 15518, 94022 33554


# Diploma in :- X-Ray, ECG, MLT, O.T. Technician, Dental Tech., Dialysis, Physiotherapy.
Nursery Teacher Training,
Nursery Teacher Training
Music Teacher Training,
Fashion Designing
Textile and Interior designing.

CLASS COMMENCE FROM :- 15TH Feb. 2016
Application form available from 10 am - 3 pm

HL-B/2960/14,15,16,17,18,19,20,21,22....28




HL-B/2952/10/02-9/3




H/L-B/2953/10/02-9/03





Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com